# খন্ন–নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে, বোসেমগী মথক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি ঃ দেসাম

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ ঃ

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুর (বোসেম) গী মথক্তা থিগৎনবা শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট নমশিন্দুনা থমখিবা, আর টি আই গী পাউখুম পীরক্তবা হায়বনচিংবা হিরমশিং অসিগী মতাংদা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না শীন্দুনা ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ মরিসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি, ১) হৌখিবা চহী ২০১৮ দা বোসেমগী মথক্তা থিগৎনবা শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট অথুবা মতমদা মীয়ামদা খঙহনগদবনি, ২) চৎলিবা চহী ২০১৯ অসিদা ঐচ এস এল সি ইগজাম থাখিবা মহৈরোয় খুদিংমক্কী পাউখুম চে খুদিংমক স্ক্রুটিনি তৌনবা থবক পায়খৎকদবনি, ৩) ঐচ এস এল সি ইজাম থাখিবা মহৈরোয়শিংনা মানা মানা ফঙলিবা মার্কশিংদা পেন্দদুনা রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) থারকপা খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, ৪) মথক্কী ৱারেপ অহুম অসি নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পোজেটিব রেস্পোন্স পিরক্তবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা অসিনি।

দেসামগী জেনরেল সেক্রেটরী সিতল ওইনাম্না থৌরমগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, মমাঙ চহী অমদি হন্দক চহীগী পাঙথোকখিবা ঐস এস এল সি ইগজামগী রিজল্ট হায়দোরকপদা অশোয়–অরান কয়া য়াওকপদগী মীয়াম্না পেন্নদবা, থোকহন্নিংদবা কয়া থোকপা অসিদা বোসেমনা থওই ৱাওইদবা মরম থিদোকপিয়ু হায়রবসু তুমীন্না লৈশিনবগী মতাংদা খন্ন নৈনবগী মীফম অসি পাঙথোকপনি।

বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সি ইগজামদা মার্ক ককথোক ককশিন তৌবা, মার্ক তেম্পর তৌবা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা মহৈরোয় কয়াদি ভিক্তিমাইজ তৌবিরে। পোজিসন হোল্ডর ওইজগদবা মহৈরোয় কয়াগী পাউখুম চেদা মার্ক তেম্পর তৌরম্বদগী ফার্ষ্ট দিভিজন্নর খক ওইহনখিবা, লোয়ননা ফঙলিবা মার্কতা পেন্দবদগী আর টি আই থাদুনা মশাগী পাউখুম চে পীবীয়ু হায়বদা পীবিদ্রিবা অসিনা করিগীনো? বোসেমগী থৌওং অসিনা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংদা নিংহন্নবা ফাওহল্লে। বোসেমগী অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মরম ওইরগা বোসেমদগী থাজবা মাঙখিগনি। শেঞ্জা থুমজা তৌরগা মার্ক হাপতোক হাপচিন তৌদুনা রেঙ্ক শেমদোক শেমজিন তৌবা গেঙ খূৎপু বোসেমদা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মখা তানা অসিগুম্বা থবক অসি চত্থরবদি বোসেমদগী থাজবা মাঙখ্রগনি। মনিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা বোসেম কন্নবগীদমক দেসাম্না খোঙথাং অসি লৌখৎপনি। হন্দক চহী অমদি মমাঙ চহীদা শোয়খিবা লানখিবা ময়াম অদু য়েংলুরবা মতুংদা দেসাম্না হন্দক চহীগী কেন্দিদেটশিংগী পাউখুম চেশিং রি ইভালুসন তৌবিয়ু হায়দুনা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু দিমান্দ অসি বোসেম্না থবক্তা ওন্থোক্ত্রি। মদুগী মহুত্তা মখোয়না শোইখিবা লানখিবা অদু কুপশিন্নবা হোৎনরি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা বোসেমগী হান্নগী সেক্রেটরী পি ধনকুমার (রিটায়র্দ আই পি এস) না হায়, ঐচ এস এল সি ইগজামিনেসন অসি বোসেম্না থৌবু ওইরগা পাঙথোকপনি। ইগজাম অসিগী রিজল্টদা অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওই হায়বসি মীয়াম্না ঙসিদগী চহি ৫/১০ গী মমাঙদগী ঙাংনদুনা লাকই। অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লিবসি সোসাইটি অসি মরাই চাইথরকপদগীনি।

মহাক্না হায়, করপসন হায়বা লমসিদা মরাল লৈরিবসি মীওই অনীমক্কি, অপীবসু অরৌবসু। আর টি আই গী চে থারকপদা পাউখুম চে অদু থা ১ গী মনুংদা পীবিগদবনি। ওঝাশিংবু হেন্না মগুণ লৈহন্নবগীদমক্তা মখল কয়াগী ত্রেনিং পীবা মথৌ তাই। লোয়ননা ক্লোইসন সেট অপ মতৌ করম্না তৌগদগে, করম্না ইগজামিনর ওইগদগে হায়বগী মতাংদসু মখল মখাগী ত্রেনিং পীবা য়াম্না দরকার ওই। অদুবু সরকারনা ৱার্কসোপ অমদি ত্রেনিংগীদমক্তা শেন্থং অমত্তা পীদে। ঙসি মণিপুরী খুন্নাইদা থোক্লিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্তনবগীদমক্তা ঐখোয় কম্মিটমেন্ট লৈবা তাই। থবক তৌবদা পূকচেল শেংবা তাই। অরানববু য়েংদুনা লৈগুমসি অরানবা অদু চুমথোক্লবগীদমক্তা অমত্তা ওইনা থেংনসি। হেদ ইগজামিনরনা মরম চাদনা মার্ক ককথৎলি হায়রিবসি মরী লৈনবনা য়েংশিনফম থোকই। মার্ক শেমদোক শেমজিন্দা চেন্নবশিং দন্দি পীবা মরম চাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

---

# মহৈরোইশিংনা মশা–মউ ফনা লৈরবা মতমদতা অফবা ৱাখল্লোন লাক্কদবনি: ইদুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যাম

ইম্ফাল,জুলাই ১৭ (এস এন এস)ঃ

মহৈরোইশিংনা লাইরিক্তা অসুম তৌদুনা লৈরদি তন্থরকপা পোক্লকপা মহৌশানি মরম অদুনা মশা–মউ ফনবা শান্নবা তঙাই ফদে। মশা–মউ ফনা লৈরবা মতমদা অফবা ৱাখল মশানা পোক্লক্কদবনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ষ্টেট মিসন ওফ সমাগ্রা শিক্ষা অভিয়ান মণিপুরনা শীন্দুনা বাবুপরাদা লৈবা এস এস, এস আই এস ওফিসতা পাঙথোকখিবা স্পোর্টস মেটরিয়েল দিষ্ট্রিব্যুসন সেরামোনিগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিং অসি লাইরিক খক্তনা মায় ওনশিনবগী মহুত্তা মশা–মউ ফনা লৈনবা মতাং–মতম চানা শান্নহনবসু তঙাই ফদে। হকচাংবু ফরবদি তৌগে খনবা হীরম কয়াদা মায়পুননা তৌবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়ননা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংনা শান্নবদা টিম ৱার্ক তৌনবগী হৈনবী কয়া পোকহন্দুনা অফবা লিক্লম কয়াদা চখনবদা শান্ন–খোৎনবনা হেন্না মতেং ওইহনগদৌরিবনি। লোয়ননা মখোয়গী ৱাখলদা কম্পিটিসনগী ওইবা ৱাখল্লোন পোকহনবসু হেল্লক্কদৌরিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা পীরিবা শান্ন–খোৎনবগী পোৎলম অমদি কম্প্যুটরনচিংবা খুদিংমক মহৈরোইশিংগী শীজিন্নবা পীবনি। মরম অদুনা পোৎলম অমত্তা চিথ–দনা মহৈরোইশিংদা শীজিন্নবা ফংহনগদবনি হায়খি। লোয়ননা এস এস এ অমদি আর এম এস এ অনী অসি পুল্লগা শেম্বা সমাগ্রা শিক্ষা অনীনা ক্লাস টুৱেল্ভ ফাওবা অনৌবা মিসন অসিনা কোনশিল্লগনি। থৌরমদুদা খুদোংচাবা লৌরগা পাউমীশিংনা ক্লাস টেন এগজামিনেসন রিজল্টদা মার্ক টেম্পরিং লৈবগী ৱাথোক লৈরিবসিগী মতাংদা অমদি অরাপ্পা চীংগী মফমশিংদা লৈবা স্কুলশিংগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়, মমাঙ চহীদগী থোক্লিবা মার্ক টেম্পরিংগী ৱাফম অসি ওজা অমখক্না মহৈরোইলীশীং ৩০ হেনবসিগী চে অমুক্তদা য়েংবা নত্তবনা অসিগুম্বা থোকহন্নীং দবা অসি হেক–হেক থোকপনি। মসি লাইবক থিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্কী মায়কৈদগী কুপ্না য়েংলি অদুগা ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসিগী অৱাৎপা খুদোংচাদবশিং মতম মতমগী য়েংশিন্দুনা লাক্লি। ওজা পোষ্টিং তাবা লাকপা লাক্তবগী ৱাফম কয়া লাক্লিবসি লাক্তনবা মশাগী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওইশিং মফমদুদা পোষ্টিং থাহন্নবা ৱাফম খন্নবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস মেটরিয়েল দিষ্ট্রিব্যুসন সেরামোনিগী থৌরমদুদা ইকায়খূম্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদুকেসন দিপার্টমেন্টগী এদুকেসন (এস) কী জোইন্ট সেক্রেটরী এল নন্দকুমারনা হায়, ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা শান্ন– খোৎনবগী পোৎলম য়েন্থোক্তুনা মহৈরোইশিংদা ফংহন্নবা হোৎনরিবসি এদুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যাম এম ঐচ আর দিদা পরস্যু তৌবীদুনা ৱানা হোৎনজবগীনি। ঙসি স্কুলশিংদা ফংহল্লিবা শান্নবগী পোৎলমশিং অসি মহৈরোইশিংগীনি হায়বসি স্কুল প্রিন্সিপালশিংনা কাউবীরোইদবনি হায়খি।

থৌরমদুদা কোসেমগী চেয়ার্মেন এল মহেন্দ্র, এদুকেসন এস / ঐচকী এদিস্নেল দাইরেক্তর এ লার্টে মাঙতে কোম, এদুকেসন এস / ভিগী এদিস্নেল দাইরেক্তর সিঐচ সচি অমসুং এস এস/ এস আই এস মণিপুরগী এদিস্নেল ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তর টি ফুলেনসু ইকায়খূম্নবা মীথুংলেন অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী এদুকেসন (এস) কী কম্মিস্নার সুমন্তনা থৌরম মপু ওইখি। স্পোর্টস মেটরিয়েল দিষ্ট্রিব্যুসন সেরেমোনি অদুদা এদুকেসন মিনিষ্টরনা কুমজা ২০১৮–১৯ দা এপ্রুভ তৌরবা লৈঙাক্কী স্কুল ৩৮৬ তা স্পোর্টস কিটস অমদি স্কুল ১০০ দনা মেথস কিটস, স্কুল ১১০ অমদসু সাইন্স কিটস, স্কুল ৩৯৭ অমদি ৩৯৩ দসু হ্বাইট বোর্দ অমদি লাব্রেরি বুকশিং জেট ই ওশিংগী খুত্থাংদা খূৎশিন্নখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট নিপানদগী খনগৎলবা হায়স্কুল অমদি হয়ার সেকেন্দরি স্কুল ১৮ দসু স্পোর্টস আইটেমশিং প্রিন্সিপালশিংদা খূৎশিন্নখি।

---

## বি জে পিদি হুন্নবগী চৎনবীদা ...

*লমায় ১গী মখা...* লৈতে। সেন্টরদা চুপ্পি পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক সেন্টরদা লৈরকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎখ্রে। মদুগী কান্নবা কয়া ষ্টেট অসিদসু মীয়াম্না ফংবা ঙম্লে।

মহাক্না হায়, বি জে পিদি ৱাকৎপা লৌদে। ৱাকৎপা তারবসু পার্টি ফগৎহন্নবা হেন্না সজেসন ওইনা পীরবদি লোইনা তাগনি হায়খি।

মণিপুরদা চুপ্পি পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা হৌজিক হোম মিনিষ্টর পুরিবা আমিট সাহনা করিগুম্বা মণিপুরদা চুপ্পি পায়রবদি বন্দ ব্লোকেদ লৈতবা ষ্টেট ওইহনগনি হায়না লাওথোক্লম্বা অদু ঙসিদি চুম্লে হায়খি।

ঙসি বি জে পিদা য়াওরকখ্রবা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলরশিং অদুদি ৱার্দ নম্বর ১গী কোংগ্রেসকী কাউন্সিলর আজাদ খান, ৱার্দ নম্বর ৩গী ইন্দিপেন্দেন্ট কাউন্সিলর অব্দুল সলাম, ৱার্দ নম্বর ৬কী আই এন সিগী কাউন্সিলর সারিতা বেগম অমসুং ৱার্দ নম্বর ৭গী ইন্দিপেন্দেন্ট কাউন্সিলর মিনরজান নি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ এস জয়, মোইরাং এ সিগী এম এল এ পি সরতচন্দ্র য়াওনা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

---

## স্বাইন ফ্লুনা নাবদগী গুৱাহাটিদা লায়েংবা পুখিবা নুপামচা ...

*লমায় ১গী মখা* শিজিন্নরগা খুৎ–শা শেংনা হামদোকপা তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা নারক্লে হায়বা খঙলবদি তোখায়না অতোপ্পা মীওইগা শম্নহন্দনা থম্বীবা তাই।

অনাবা অদু লৈখিদ্রবা তুংদসু ইমুং অদুগী মীওইশিংগী হকচাংগী ফিভমদা করি অহোংবা লাকপগে য়েংগনি। মসিগা লোয়ননা অনাবদুগা হকথেংননা সেবা তৌরিবা মীওইশিং অদুদা ওসেলতামিভির অসি পীজগনি। লোয়ননা আশা, হেল্থ কেয়ার ৱার্করশিং, ওফিসারশিংদা ৱাখল তাহল্লবা তুংদা আশা ৱার্করশিংগী খুত্থাংদা মীয়ামদা লায়না অসিগী মতাংদা খঙহনবগী থবক চত্থগনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এদিস্নেল দাইরেক্টর পব্লিক হেল্থ ডা. সচিকুমার মঙাঙনা হায়, স্বাইন ফ্লু অসি চান্দিগরদা, মুম্বাইদা, পুনেদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইরি। লোয়ননা নোংপোকথংবা ইন্দিয়াদা কোলকটাদা অমসুং অসামদা মসিগী কেস থেংনখ্রবা তুংদা মণিপুরদসু লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস থেংনরে।

মসিগী কেস থেংনরে হায়দুনা থোইনা মীপাইনিঙাই ওইদে। মসিদি মশা শোনবা মীওইশিংদা চঙখ্রগা খুদোংচাদবা মায়োক্নে হায়বগী ৱানি হায়খি।

স্বাইন ফ্লু অসি মণিপুরদা কুমজা ২০১৬ তা মণিপুরদা কেস ১৬ পোজিটিভ ওইবদা মীওই অনী শিখি, কুমজা ২০১৭ মীওই অমা লায়না অসিনা লৈখিদে। হৌজিক্কী ওইনা ষ্টেট অসিদা করিগুম্বা লায়চৎ ওইনা শন্দোরকপা তারবসু মীওই ৩০০–৪০০ রোমগী চাবা কোন্নগদবা হিদাক লৈরি। অদুবু মসিগী পোজিটিভ কেস লৈরে হায়দুনা মীপুম খুদিংমক হিদাক লোইনা চাগনি হায়বদি লৈতে। মসি কন্দিসন খরদা পীজগদবা হিদাকনি হায়খি।

মহাক্না হায়, লায়না অসিগী চাংয়েং তৌফম হান্না ষ্টেট অসিদা লৈতবনা প্রোব্লেম লৈরম্বা অদু মদুগী টেষ্টিং ফেসিলিতি জেনিমসতা লৈরে।

করিগুম্বা অনাবা অমা ফিভম লুশিল্লকপা তারবদি মহাক অদু হোস্পিটালদা ভেন্টিলেটর শিজিন্নরগা থম্বগী তঙাইফদবা লৈবনা মদুগী খুদোংচাবা অদুসু রিমস অমসুং জেনিমসতা লৈ হায়খি। হৌজিক্কি ওইনা লৈঙাক্না রুটিন সর্ভিলেন্স প্রোগ্রামখক্তমক লৌখৎলি। পাক্তক্লনা সর্ভিলেন্স তৌবগী ৱাফম লৈত্রি হায়খি। করিগুম্বা পাক শন্না ষ্টেট অসিদা সর্ভিলেন্স তৌগে হায়বা তরবদি নেসনেল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল (এন সি দি সি)দগী অয়াবা লৌবা চঙই হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা জপানিজ এন্সেফলাইটিসকী লায়নগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংদা মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা জে ইনি চিংনবা কেসনা সেনাপতিদা মীওই অমা লৈখিদ্রে। মদু নত্তনা অতে লৈখিদবগী কেস লৈতে। লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি ১ দগী ঙসি ফাওবদা মীওই ১৬ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে।

করিগুম্বা জে ইগী চিংনবা কেস লৈরবসি রিমস, জেনিমস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংদা লেম্না চাংয়েং তৌবগী খুদোংচাবা ফংগনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা দব্লিউ ঐচ ওগী কন্সলটেন্ট ডা. বিক্রম অমসুং ষ্টেট ইপিদেমিওলোজিষ্ট অমা ওইরিবী ডা. ভারটিসু শরুক য়াখি।

---

## চেঙ ফংহন্দবগী সি পি আইনা দেল্লিদা প্রোটেষ্ট...

*লমায় ১গী মখা* য়াওরিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা লৈবাক্কী লন–থুম মুন্নবদা খরা হেন্না চাউবা সেয়ার ফংননবা ফম মুন্নদুনা লৈরে। চীফ মিনিষ্টর শিন্দোক–শিঞ্জিনগী লাংদা লৈবাক মীয়ামদা অৱাবা কয়া পীদুনা লৈরে।

মহাক্না মখা তানা হায়, ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি চীঞ্জাক্কী মিনিষ্টর উন্নবা এপোইন্টমেন্ট লৈরে। মদুদা মরু ওইনা সিটিজেন এমেন্দমেন্ট বিল চৎনবা তৌদনবা মরু ওইবা মিনিষ্টর পুন্নমক্তা তকশিনগনি।

মণিপুর পিপলস বিল চৎনহনদ্রবা অসি পাস তৌদুনা চৎনহন্নবা তকশিনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লৈবাক্কী অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরিবা ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা ফংফম থোকপা চেঙ ফংহনিদ্রবা অমদি লুপা ৩ পীগদবা চেঙনা লুপা ৩০ পীদুনা ব্লেক মার্কেটতা ফংহল্লিবা মসিগীসু মথক থা কয়াগী পীফম থোকপা চেঙ য়েন্থোক্তবা অসিনা চিংনবা অসি লোকেল এম এল এশিং, ট্রান্স–পোর্টর অমদি এজেন্টশিংনা লৌতুনদুনা হুরান চিন্থি তৌরিবা অসিগী মথক্তা ইনক্বারি তৌনবসু তকশিনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, মমাঙঙৈদা কবো ভেল্লি মাঙখিবগুম বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ দা মণিপুরগী লম কয়াসু মাঙ–খবা লৈরিবা তালক অসিদা পিল্লর নম্বর ৮২ মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না য়ুংশিনবগী ৱাথোকসু লৈরি। অথুবা মতমদা সর্ভে তৌদুনা মণিপুরগী লম মাঙবা য়ারোই হায়নসু তকশিনগনি।

মণিপুরগুম্বা ইকোনোমিক কন্দিসন ফৎত্রবা, রিছোর্স লৈজদবা, লৈরিবা রিছোর্সশিংসু নীংথিনা য়ুটিলাইজ তৌবীদবা অমদি থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা ষ্টেট অসিদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীননবা অকনবা দিমান্দ তৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈরিবা মরক্তা ক্রোর ২৭৫ কায়থোকখিবা অদুনা লৈঙাকপশিংনা লৈবাক অসিদা চাউনা শেঞ্জা–থুমজা, হুরাল–চিন্থি চত্থরে হায়না তাকপনি। মসিগীসু মথক্তা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিসু মমিং তাখিদ্রে। বি জে পিগী লৈঙাকপশিং অসি করপসন দা পাক্তক্লনা চেন্নরে। মরম অসিনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা ইনক্বারি তৌনবা তকশিল্লগনি।

---

# পোলিটিকেল পার্টিশিংনা সাহিত্যগী লূপ কয়াদগী তমজনিংঙাই য়াম্না লৈ ঃ করাম শ্যাম

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (এস এন এস)ঃ

লমদম অসিদা নেসনেল অমদি রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি কয়া মরুম লৈরবসু মখোয় মশেলগী মরক্তা চাওনা য়েংথিনদুনা লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাংদা থিন্থনবগী মচাক অমা ওইহল্লি। অদুবু সাহিত্যগী লুপশিং অসিদি মখোয় মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা লমদম অসিগী সাহিত্যবু চাওখৎহনবগী অচৌবা থৌদাং লৌরি। মখোয়শিং অসিদগী পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিনা তমজনিংঙাই য়াম্না লৈ হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি নহারোল সাহিত্য প্রেমি সম্মিটিনা চহী ৬০ শুরকপগী চহী অমা চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা দাইমন্দ জুব্লি থৌরম হৌদোকপদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি অমদি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিনা খূৎশম্নদুনা একাদমি অসিগী ওদিটোরিয়মদা রাইটরস দে হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা চহী অসিগী রাইটরস ওফ দি ইয়ারগী মনাসু লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা খুরাইজম নিমাইচরন সিংহদা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অসিগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা মমিং লৈরবা অইবা কয়া কয়া মরুম লৈরি। মখোয়না মণিপুরগী সাহিত্যদা তৌরম্বা খুদোল অসি মপাল নাইদে। অইবা হায়বা শিনফম অসি মশাগী পীথোকচরকপা অমা য়াওদ্রগদি তম্মগা হেক্তা ওইবা য়াবা শিনফম নত্তে। মরু ওইনা লমদম অসিগী অহল ওইরবা অইবশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাং, মখোয়না লমদম অসিগীদমক অৱাবা, মখোয়না সাহিত্যদা পীরিবা খুদোলশিং অসি হৌজিক্কী মীরোলনা খঙবিবা অমদি মখোয়দগী তমহৌবা য়াম্নমক তঙাই ফদে।

লৈবাক অমা চাওখৎহনবদা অইবশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। তুংদা থোরক্কদবা অমদি ওইরক্কদবশিং অদু মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বগী গুণ অইবশিংদা য়াওরি। লৈবাক্কী সেবা তৌনবা থোরক্লিবা পোলিটিসিয়ানশিং অসিনসু অইবশিংদগী অসিগুম্বা গুণ অসি তমশিনবা তঙাই ফদে হায়খি।

হৌজিক লমদম অসিগী নহাশিংদা থৌগল্লোন কাইরকপা, নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন মাংথরক্লিবশিং অসিদা অইবশিং অসিনা হেন্না মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিগী ৱাঙাংল্লোই ওইখিবা প্রোফেসার নোংমাইথেম তোম্বীনা হায় “ মণিপুর সাহিত্য শেমগৎলক্লবা হোৎনবদা সহিত্য সমিটিনা লৌখিবা থৌদাং” হায়বসিদা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা “ৱাখল” কৌবা চেফোঙ অসিগী ১৮১ শুবা ইদিসনসু থৌরমদুদা ফোঙখি।

থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী সেক্রেটরী লৌরেম্বম কিশ্বোরজিৎনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটিগী প্রসিদেন্ট এল উপেন্দ্রো সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

---

## উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ঃ

মালেমগী অঙৈং–অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদা খরদং ওইরবসু কনবা ঙম্নবগী পান্দমদা প্লন্ট ট্রি প্লান্ট হোপ হায়বা থিমদা সেন্ট পিটরস স্কুল সিল্লোং এলুমনাই মণিপুর চেপ্তরনা শিল্লগা ত্বিঙ্কল ষ্টার একাদেমি কোংবা হুইরেম লৈকাইগী মহৈরোইশিংগা খূৎশম্নরগা কোংবা রাইরেনপাৎ গ্রাউন্দা উ চারা ৫০ থাখ্রে।

উ চার থাখিবা অদুগা মরী লৈননা সেন্ট পিটর স্কুল এলুমনাই মণিপুর চেপ্তরগী প্রসিদেন্ট মাইবম ধনবিরনা ফোঙদোক–খবদা, হৌজিক অঙৈং–অশাগী খল কায়থরকপা অসিদগী খরদং কনবা ঙম্নবা অমদি মসিগী ৱাখল্লোন অসি পিক্লিবা মহৈরোইশিংদসু খঙহন্নবা পান্দমদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংগা খূৎশম্নরগা উ থাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ত্বিঙ্কল ষ্টার স্কুলগী ফাওন্দর সুরেস ওইনামনা, গ্লোবেল ৱার্মিংগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা তাকপী তম্বীবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়বগা উ চারা থাবনা মালেমদা করম্বা কান্নবা পীবগে হায়বগী মতাংদসু মহৈরোইশিংদা মমুৎ তানা তাকপী তম্বীরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

---

## পি এফ এ না কোর্টপু থাগৎপা ফাঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (এস এন এস)ঃ

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা মণিপুরদা চেল্লিবা তুরেলশিংদগী নুঙ লৈভোই পেকপা অমদি মোৎশিনহনবা থিংঙকপসি য়াম্না মতাং চাবা খোঙথাংনি। কোর্টপু পিপলস ফোর এনিমেল মনিপুরনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলক্লি। পিপলস ফোর এনিমেলস মনিপুরগী মেনেজিং ত্রষ্টি এল বিশ্বজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি, ঈকংগুম্লবা মতম অসিদা মীওইবা খক্তা নত্তনা শা উচেক কয়াগী হিংবদা য়াম্না মরু ওইবা ঈশিংগী ফংফম অসি তুরেলনি। লৌমী কয়ানা পম্প শিজিন্নদুনা তুরেলদগী ঈশিং চিংলগা লৌ উনবা হোৎনরি। তুরেলদগী লাপথোক্না লৈবশিংসু ঈশিং য়োনবা টেঙ্করগী খুত্থাংদগী তুরেল ঈশিং শিজিন্নরি। পূমক্কী থৱাই ওইরিবা তুরেলবু মশাতগী খল্লগা মোৎশিন্নবা থবক তৌরিবা মীওইশিং তাইবঙ মপুনা কৈদৌঙৈদা ঙাকপীরোই হায়রি।

---

## অসামগী মীওইশিং...

*লমায় ১গী মখা ...* লন থুম কয়া ঈশিং ঈচাওনা চেন্থখিবা, লন্নক্কী শা কয়াদা অৱা অনা তাহনখিবা অসিদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐহাক্না মনিপুরী মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা অসামগী মীয়াম্না থেংনরিবা ঈচাওগী অৱাবা অসিদা থম্মোয় শোক্না শরুক য়াজরি।

---

## বি জে পিগী ৱাথোক...

*লমায় ১গী মখা ...* থাজবা লৈ । পার্টি অসি ফম্নবগীদমক দিল্লিদা লৈরিবা নেসনেলগী লুচিংবা কয়াগা ৱাতান্নবনি। মসিদা কনাগুম্বা মীওই অমগী মায়োক্তা ৱাকৎপগী ৱাফম লৈতে। কনাগুম্বা মীওই অমক্তগী মথক্তা ক্রিটিসাইজ তৌবসু লৈতে হায়খি।

অতোপ্পা প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যারমেন এল রাধাকিশোর, হিল এরিয়াজ কম্মিতিগী চ্যারমেন টি থাঙজালম হাউকিপ, এম এল এ পি সরতচন্দ্র অমসুং এন ইন্দ্রজিৎ ঙসি দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

---

# গ্রো ৱান মিল্লিয়ন এভোকেদো ট্রিজ প্রোজেক্টতা শরুক য়াখিবা বেনিফিসারিশিংদা এক্সন ফোর গ্রিনিংনা চেঙ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (এস এন এস)ঃ

এক্সন ফোর গ্রিনিং মণিপুরনা পায়খৎপা গ্রো ৱান মিল্লিয়ন এভোকেদো ট্রিজ প্রোজেক্টদা শরুক য়ারিবা বেনিফিসারিশিংদা সোসাইটি অসিগী মায়কৈদগী চেঙ য়েন্থোকখ্রে।

পনবা য়াই পাম্বী মখল অসিনা মপুং মরৈ ফাদুনা উহৈ পানবদা চহী ৩ লোম চঙবনা, উহৈ পান্দ্রি ফাওবদা বেনিফিসারিশিং অসিগী ইমুং মনুংনা চানবা চেঙ সোসাইটি অসিগী মায়কৈদগী লেম্না ফঙহনগনি হায়না এ জি এমগী এমবেসেদর অদিম পাম্মিনা লাওথোকখিবা লৈখ্রবনি।

ঙসি এভোকেদো পাম্বী ২০০ হেন্না পাক্তকননা থারিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না তোংকোই খুলদগী নিংশেন বুরিংদা এ জি এমগী মায়কৈদগী চেঙ খূৎশিন্নখিবনি। চহী ৩ গী মতুংদদি উহৈ অসিগী সিজন মতমদা পাম্বী ২০০ অসিদগী শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ৯ রোমদি ইরাই লাইনা তানবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়না নিংশেননা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তারদুনা, উহৈ পাম্বী মখল অসি হকচাংদা কান্নবা কয়া পীবা অকোয়বগী ফীভম য়োখৎপদা চাউনা মতেং ওইবতা নৎতনা লৌমীশিংগী শিন্নীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি।

লোয়ননা এ জি এমনা অসিগুম্বা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎলক্তুনা এভোকেদো পাম্বী চারশিং লেম্না ফঙহনবতা নৎতনা ইমুং মনুংগী চেঙ চাক্কী মতেং পাঙলকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখি । নাকল অমরোমদা ঙসিগী চেঙ খূৎশিন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা এ জি এমগী মেম্বর গ্রেসসননা, প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা এভোকেদো পাম্বী থারিবা লৌমীশিংদা উহৈ অসি য়োনবগী অৱাবা লৈহল্লোই ইং ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লৌমীশিংগী ইনকম দবল ওইহনসি হায়বা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাখল্লোনগী তুংইন্না এম এস দি এম এগী ভাইস চীয়ারপার্সনসু ওইরিবা এ জি এমগী এমবেসেদর এদিম পাম্মেগী মীৎয়েং মখাদা চৎথরিবা প্রোজেক্ট অসিবু মঙফাওন্নবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীয়ামনা মতেং পাঙবিয়ু। প্রোজেক্ট অসি বেনিফিসারি অমমম ওইদুনা গ্লোবেল ৱারমিংদগী খরদা ওইরবসু কঞ্জনবা অমদি শেন্থোক লম্বী লৈনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

---

# হৌখিবা চহী ৫ দা মণিপুরগী য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ট্যুরিজম প্রোজেক্ট ১৬ সেঙ্কসন তৌখি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ ঃ

য়ুনিয়ন ট্যুরিজম মিনিষ্ট্রিনা স্বাদেশ দর্শন স্কিমগী মখাদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লুপা ক্রোর ১,৪০০ গী ওইগদবা ট্যুরিজম প্রোজেক্ট ১৬ হৌখিবা চহী মঙাদা সেঙ্কসন তৌখি।

ত্রিপুরাগী এম পি প্রতিমা ভৌশিকনা লোক সভাদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা য়ুনিয়ন ট্যুরিজম মিনিষ্টর প্রহলাদ সিংহ পটেলনা লোক সভাদা হৌখিবা নিংথৌকাবদা ফোঙদোকখি, হৌখিবা চহী মঙাদা স্বাদেশ দর্শন স্কিমগী মখাদা থিম বেজ ট্যুরিষ্ট সাক্যুইট ১৬ কী লুপা ক্রোর ১,৪০০ সেঙ্কসন তৌবগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৮৯৬ থাদোকখ্রে।

প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, নাগালেন্দ, মেঘালয়া, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাগী প্রোজেক্ট অনী অনী য়াওরি। মখোয় অদুগী মনুংদা মণিপুরগী স্প্রিচুয়েল ট্যুরিজমগী মখাদা শ্রীগোবিন্দজীগী লাইশঙ, শ্রীবিজয় গোবিন্দজীগী লাইশঙ, শ্রীগোপীনাথ লাইশঙ, শ্রী বঙ্কিবোদোনগী লাইশঙ অমদি কাইনাগী লাইশঙ শেমগৎপা য়াওরি।

মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিকিম অসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা মচেৎ অমনা প্রোটেক্টেদ এরিয়া অদুগা মচেৎ অমনা রেষ্ট্রিক্টেদ এরিয়ানি হায়না লাওথোক্তুনা লৈবনি। অদুবু মিনিষ্ট্রি অসিগী (ফোরেন্নর দিভিজন) না সেপ্তেম্বর ১৪,২০১৮ দা রেষ্ট্রিক্টেদ এরিয়া পার্মিট অমদি প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিট কোমথোকখিবা লৈখ্রে হায়না পটেলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

---

# শামুরৌ লৌরি মচা লৈরক এম এল এনা শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ১৭ (এস এন এস)ঃ

ৱাঙ্গোই এ সিগী মনুং চনবা শামুরৌ লৌরি মচা লৈরক অসি হৌখিবা চহী ১০ হেন্না শেম্বীদনা লৈরক্লবা তুংদা ঙসিদগী কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এসু ওইরিবা মিদাগী ভাইস চ্যারমেন ও লুখোইগী মীৎয়েং মখাদা শেমজিনবা হৌখ্রে।

মতম শাংনা লম্বী অসি শেম্বীদনা লাক্লবা মতুংদা হন্দক নৌনা শেমজিনবীরকপদা লৈকাইগী মীয়াম্না ও লুখোইবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

লম্বী অসি শেমজিনবগা মরী লৈননা এম এল এ ও লুখোইনা হায়, শামুরৌ লৌরি মচা লৈরক হায়না খঙনবা লম্বী অসি ঈশিং থুম্বনা কা হেন্না ফিভম শোকচিনবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৈবাক হাপ্পুনা খরা ৱাংনা থোনগৎপনি। লোয়ননা লম্বী অসি মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবা নুঙ থারগনি। লোয়ননা লম্বী অসি মতম খরগী মতুংদা কোইলাস থানবগী পান্দম ফাওবা লৈ হায়খি।

মহাক্না হায়, ৱাঙ্গোই এ সিগী মনুংদা লৈরিবা লম্বীশিং অসি নিংথিনা শেমজিন্দুনা কোইলাস থাবা লম্বী অমমম ওইহন্নবা মহাক্না পান্দম থম্লি। লম্বীশিং অসি তোঙান তোঙানবা ফন্দ সোর্ছশিংদগী শেল থাদরগা ৱার্ক প্রোগ্রামনচিংবা হাপ্পুনা শেমগৎনবা হোৎনরি হায়খি।

মহাক্না হায়, বি জে পি লৈঙাক অসিদা য়াওদুনা চহী অনী অসিদা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মফম কয়াদা অহোংবা পুরকপা ঙম্লে। মখা তানা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎখিগনি হায়খি।

লম্বী অদু শেম্বগী মতাংদা শামুরৌ মখা লৈকাই লৌরি মচা লৈরক অসি শেম্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব শামুরৌ মখা লৈকাইগী জেনরেল সেক্রেটরী হিদম নন্দকিশোরনা হায়, চাউরাক্না কিমি ১ হেন্না শাংবা লম্বী অসি মতম কুইনা শেম্বীদনা লাকপনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোক্লম্বা অদু কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এনা শেম্বা হৌবিরকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। মসিনা মহৈরোইশিংনা মহৈ মশীং তম্বা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরম্বা অদু খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

---

# এক্স চীফ মিনিষ্টর দব্লিউ নিপামচাবু নীংশিংখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ১৭ (এস এন এস)ঃ

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর দব্লিউ নিপামচা লৈখিদবগী ৭ শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম ঙসি ৱাঙ্গোই ৱাহেংবম লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে। মহাক্না হিংলিঙৈদা তৌরম্বা থবক কয়া ঙসিসু নীংশিংনরি হায়না ৱাঙ্গোই এ সিগী এম এল এ অমসুং মিদাগী ভাইস চ্যারমেন ও লুখোইনা ফোঙদোকখ্রে।

সেনিয়ার সিতিজেন ফোর সোসাইতি ৱাঙ্গোই চেপ্টরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ ও লুখোইনা হায়, ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অনীরক ওইখিদুনা মীয়ামগী সেবা তৌরম্লবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী লৈখিদবগী থৌরম অসি পাঙথোকপা ৭ লক শুবনি।

অহল অসিনা ষ্টেট অসিগী তৌনিংবা তৌগে হায়না খল্লম্বা কয়া পাঙথোকপা ঙম্নমদ্রবসু মহাক্কী মহুৎশিনবা অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী নৎত্রবসু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী অৱাৎপা কয়াদা অঙম্বা থাক্তা থবক তৌখগনি হায়না এম এল এ ও লুখোইনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়,লাইওইখ্রবা অহল অসিনা হিংলিঙৈদা ৱাঙ্গোই এ সিখক্তগী নত্তনা ষ্টেট অসিগী ওইনা লন ওইহৌগদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া অমসুং থবক থৌরম কয়া পায়খৎপীরম্মী।

অহল ইবুংঙো অসিনা সেনিয়ার সিতিজেন ফোর সোসাইতি ৱাঙ্গোই চেপ্টর লিংখৎপীরম্বা অসিমক শিংথানিঙাই ওইবা থবকনি। খোঙথাং অসিনা অহল ওইরবা কয়ানা পুন্দুনা লৈবাক্কী ওইবা ইশু কয়া লাকপদা অহল লমনশিং অসিনা ৱারোইশিন পুরকপদা মতেং পাঙলিবনি।

সেনিয়ার সিতিজেন ফোর সোসাইতি ৱাঙ্গোই চেপ্টরনা নীংশিং কুমওন থৌরম অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীবা অসি থাগৎলি। মথং চহীদগীদি ত্রষ্ট অমা শেম্নগা পালন থৌরম অসি চাউনা পাঙথোক্লবা খন্নবা লৈরে। মদু সেনিয়ার সিতিজেন ফোর সোসাইতিগী মায়কৈদগীসু অয়াবা পীবিরে মসিগীদমক থাগৎলি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী লোয়নবী ৱাহেংবম ওংবী মাইপাক, ভাইস প্রসিদেন্টশিং দব্লিউ নিলমনি, কে ঐচ সরত অমসুং দব্লিউ অমুতোম্বীনচিংবনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

---

# এমসু : নুপীমচা অমদা নোংমৈ কাপশিনবদা...

*লমায় ১গী মখা* হেক নোংঙানবগা থোইবীগী অপোকপা নোবোকিশ্বর অমদি অপোকপি মংশাতবম সোবিতা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা চত্তুনা রিপোর্ট অমা তৌখ। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না করম্বা এক্সন লৌখৎলিবগে হায়বদু হৌজিক করিম্মতা খঙদনা লৈরি। থৌদোক অদু লৌতুনবা মানবা মওংদা চেন্নবশিং ঙসি ফাওবা পুথোক্তনা থম্লি। এফ আই আর নম্বর নৎত্রগা জি দি নম্বরসু খঙহন্দনা থম্লি। থৌদোকসিগী মতাংদা পুলিসনা থিগৎপগী থবক চত্থরিহায়রবসু ঙসি ফাওবা করিগুম্বা অমত্তা পুথোক্তনা লৈরিবসি চিংনবগী মরমদি থোইবীগী ইমুং–মনুং অসি হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট ঙাক্তনি।

হৌজিক্কী মতমদা লৈঙাক্না লাইসেন্স নোংমৈ পীরিবসি করম্বা ক্রাইতরিয়াদা পীরিবনো হায়না হংলদুনা মহাক্না থৌদোক অসি চিংনবা ফাওই। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙবিরগা মহৈরোই নুপীমচা অমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা পুথোরক্কদবনি। মসিদা করিগুম্বা পুলিসনা থৌশা–ৱাশাদা লৈথোক্লবদি এমসুনা তুমিন্না লৈশিল্লোই।

অমরোমদা, নোংমৈ কাপশিল্লম্মী হায়বা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাই ক্ষেত্রিগাওগী নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা, লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা মফম চাবশিংদা সি সি টি ভি কেমেরা পাল্লু, নোংমৈ কাপশিল্লম্বদা চেনবশিং অদুবা মতমদা পুথোকউ অমদি নোংমৈ কাপশিল্লম্বা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং ফাদুনা পুথোকহন্নবগীদমক চঙশিল্লকপা খোঙজংদা সিভিল সোসাইটিশিংনা মতেং পাঙবিয়ু হায়রি।